ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕ, ꯁꯦꯞꯇꯦꯝꯕꯔ ꯲꯱, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯷꯶ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, সেপ্টেম্বর ২১, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ১৭৬শুবা মশীং

# কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদা চখরিবা লায়েং পথাপ

## এক্সপার্ট কম্মিটিনা নীংথিনা য়েংশিনবিবা মথৌ তাই

কুমজা ২০১৯গী দিসেম্বর থাদা অহানবা ওইনা চাইনাগী ৱুহান সিতিদা থেংনরবা মতুং তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়াদা পাক্তক্লনা শন্দোরকখ্রবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা ঙসিদি মখল কয়া কয়াগী চৈথেংশিং মায়কৈ কয়াদা পীরক্লি। চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ২০ ফাওবদা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক ১৮৮দা কোভিদ-১৯গী কেস মশিং মিল্লিয়ন ৩০.৮ হেন্না থেংনখ্রে। লায়না লাইচৎ অসিনা মীওই ৯,৫৭,০০০ হেন্না শিহনখ্রে। মীওই মিল্লিয়ন ২১ হেনবনা লায়না লাইচৎ অসি নারম্বদগী ফগৎলকখ্রে। ইন্দিয়াদসু কোভিদ-১৯গী অহানবা কেস অসি কুমজা ২০২০গী জেন্যুৱারী ৩০দা অহানবা ওইনা কেরলাদা থেংনখি। চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ২০ ফাওবদা ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯গী অপুনবা কেস মশিং লাখ ৫৪ হেনখ্রে। লায়না লাইচৎ অসিনা শিহনখিবা মীশিংনা লিশিং ৮৬ হেনখ্রে, ফগৎলকপা মশিংনা লাখ ৪৩ রোম্নি। অদুগা এক্তিভ কেসনা লাখ ১০ হেন্না লৈরি। মণিপুরদসু কোভিদ-১৯গী অহানবা কেস অসি হৌখিবা মার্চ ২৪দা অহানবা ওইনা থেংনখিবনি। অদুবু লৈঙাক্না মপান লমদা পন্দুনা লৈরুবা মণিপুরী মচা কয়া অখন্নবা ট্রেনশিংদা হলহল্লকখ্রবা মতুং মপান্দগী হল্লকপা মীওই কয়া কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখি। অদুবু জুলাই থাদা লোকল ট্রান্সমিসনগী মতৌ উরকখিবগা লোয়ননা হৌজিক্তি কম্ম্যুনিটি ট্রান্সমিসনগী থাকফাওবা য়ৌশিল্লক্লে। মণিপুরগী ওইনা সেপ্টেম্বর ২০ ফাওবদা অপুনবা কেস মশিং ৮৮৯৪ থেংনখ্রে। মসিগী মনুংদা কেস ৬৭৬৭দি ফগৎলকখ্রে, অদুগা কেস ২,০৭০ এক্তিভ ওইরি। কেস মশিং হেনগৎলকপগী চাং অসি ওগষ্ট থাদনা খ্বাইদগী ৱাংখি। অদুবু সেপ্টেম্বর থা অসিদনা কেস মশিং হেনগৎপগী চাং ওগষ্ট থাদগী হেনগৎলক্কদ্রা হায়নসু এক্সপার্ট কয়ানা ফোঙদোক্লরক্লি। কেস মশিং হেনগৎলক্লিঙৈসিদা মীয়াম্নসু লায়না লাইচৎ অসিবু থেংনবগী মওং মতৌদা হেন্না লায়থোক্লরকপগী মমি তারক্লি। ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও), ইন্দিয়ন কাউন্সিল ওফ মেদিকেল রিসার্চ (আই সী এম আর) অমদি হকশেল লোয়শঙনা লাউথোকখিবা ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজর (এস ও পি) শিং ঙাক্লা চৎপগী মওং মতৌ নীংথিনা উবা ফংদ্রে।

মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী অহানবা কেস থেংনখিবা মতমদা লৈঙাক্লা অমদি মীয়াম্না লৌখৎলকখিবা চেকশিন থৌরাংশিং অদু ঙসিদি মমি শাল্লকপগুম তৌরে। কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবশিংবু লায়েংননবগীদমক লৈঙাক্লা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কোভিদ ক্যের সেন্টরশিং হাংদোক্লি। হায়রিবা কোভিদ ক্যের সেন্টরশিং অসিদা কোভিদ-১৯গী অনাবশিংবু মতৌ করম্না লায়েংলিবগে হায়বসিদি লৈঙাক্লা নৎত্রগা হেল্থ দিপার্টমেন্টকী এক্সপার্ট কম্মিটিনা নীংথিনা য়েংশিনবগী মমিদি তাদ্রি। কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদা লায়েংদুনা লৈরিবা মীওই কয়ানদি মখোয়বু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়দুনা কোভিদ ক্যের সেন্টরদা থন্বীরিবা অসি লায়েংবিবা মান্দে হায়নসু ফোঙদোক্লরক্লি। লায়েংদুনা লৈরিবা অনাবশিংগীদমক পীরিবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং অসিসু হকচাং ফনা থম্নবা হোৎনবদা মথৌ তাবা মচলশিং য়াওব্রা হায়বসিসু দাইটিসিয়নশিংনা নীংথিনা য়েংশিনহনবগী মমি তাদে। পীরিবা চান-থক্লবশিং অসিসু মরাং কায়না পীরিবরা হায়বসু নীংথিনা য়েংশিনবিবা উদে। মসিগীসু মথক্তা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিংগী ইম্ম্যুন সিষ্টেম কনখৎহন্নবা হীদাক লাংথকশিং কোভিদ ক্যের সেন্টরশিং অসিদা ওফিসলশিংনা নীংথিনা পীবরা হায়বদুসু য়েংশিনবা উদে। অনাবশিংদা ওইনা নয়ুম নয়ুমদগী হীদাক থিলহল্লকউ হায়না ফাওবা ওফিসলশিংনা খঙহল্লে হায়দুনা লায়েংদুনা লৈরিবা মীওই কয়ানা পেন্দবা ৱাফম কয়া থল্লকখ্রে। ফিভম অসিদি কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিবু থেংননবা লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অসিদা অহো-অরাক কয়া য়াওবগী মতৌনি। ফিভম অসিদা লৈঙাক্লা মতম লৈরিঙৈদা কুপ্না য়েংশিনহৌবা মথৌ তারে। অসামদদি হেল্থ মিনিষ্টর মশামক্লা পর্সনেল প্রোটেক্তিভ ইক্বিপমেন্ট (পি পি ঈ) শেৎতুনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরিবা অনাবশিংগা হকথেংননা ৱারী শান্নরগা মখোয়গী অৱাৎ-অপাশিং হংবিরিবনি। অদুবু ষ্টেট অসিগী কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদা লৈরিবা অনাবশিংগীদি মরী লৈনবা ওফিসলশিং নৎত্রগা হেল্থ মিনিষ্টরনা হকথেংননা য়েংশিনবিবা তৌদে। মতৌ অসিমক্লা অনাবা কয়ানসু কোভিদ ক্যের সেন্টরদা লৈরগা লায়েংবি হায়রিবা অসি য়ানিংদবগী মতৌ কয়া থোরক্লি। করিগুম্বা মতৌ অসিনা মখা তানা অসুম চখরক্লবদি ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ লাইচৎ লাকশিনবগী থবক থৌরম কয়াদা অকায়বা থোরক্তুনা খুদোংথীবা কয়া নংহল্লকপা য়াই। মরম অসিনা কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদা চখরিবা অনা লায়েং পথাপ অসি করম তৌরিবগে হায়বদু লৈঙাক্লা শেম্বা এক্সপার্ট কম্মিটিনা নীংথিনা য়েংশিনহন্নিংই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২

১। "কংলাগী কৌপরু চিথেক্তা পুঙ অমা লৈপনে। লৈশা পুঙ কৌএ। অদুদা য়াই কৌপা নুঙ অমা লৈবনে। মচুদি হিগোকনে। মশক্তি নুওক্কী মশকনে। শা অমগী ঈনা লাৎও। মথংদা লাইখোংগী চিথেক্তা ঈ কৌপা নুঙ অমা লৈএ। লাইশক্তি শামুগী মশকনে। মচু মুইএ। খুরু খুদক কূন্না লৈএ। উহৈদে। উরবদি লৈপাক তাকএ। ওক্কী ঈনা লাৎও। কৌপরুগীদি অসিনা খৈরে।" মথক্কী পরেংশিং অসি কদায়দগী লৌথোরকপনো?

২। "শৈদম শৈরেং" হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা চহীদা অহানবা ওইনা ফোঙবগে? স্কুলদা তম্নবা টেক্সবুক লাইরিক ওইনবা কনানা লৈখিবগে?

৩। শক্লাইরবা অইবা নোংথোম্বম কুঞ্জমোহন সিংহনা অহানবা ইখিবা লাইরিক্তু করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং করম্বা চহীদা অহানবা খূৎনম পুথোকখিবগে?

৪) "ভক্তরাজ" গী অইবা থিয়েটর এক্টিভিষ্ট অদু কনানো?

৫) মখাগী শৈরেং মতেক অসি লৌথোকফম ওইরিবা অরিবা শৈরেং অদু করি মমিং কৌবগে?

"শিনয়োম নুংগী ইরকপা
কোঙয়াং ৱা-ই-ইরকপা
খেৎফরোই দে।
তাইবঙ ইরেন পূংশিবু
লাইজা ইরৈ চনগুম্মে
খঙঙমদে দে।
তাল্লোয় নুংচান ৱাদুনা
খোংফৈ চীরোন চন্নদি
লমদল্লে দে।"

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

---

## লৌমীশিংগী কাখল

# গ্রীন হাউস গ্যাস - শা ষনগা লৈনরিবা মরী

ডা. সরাংথেম ঝেসমারানি

লমদম অমগী অঈং-অশা, নোংজু-নুংশা অমদি নুংশিৎকী ফিভম্না লৈবাক লৈহাও, মনা-মশিংগী পোখোক্তা অমদি শা-ঙাগী পোখোক্তা অহোংবা কয়া পুরকই। গ্লোবেল ৱার্মিং হায়বসি মালেমগী অশাবা হেনগৎলকপবুনি। মালেমনা নুমিৎতগী ইনর্জি লৌদুনা মালেমদা লৈরিবা জীব পানবা খুদিংমক লুম্না থম্মী। মসিদতা নত্তনা অঈং-অশা কায়দনা থম্নবা মালেমনা ইনর্জি খরা পুথোকপা দরকার লৈ মালংদা য়াওরিবা গ্যাসনা মালেমদা কোয়শিন্দুনা সোলর রেদিএসন চৎহন্দনা ফাজিনবা ঙমহল্লি। হায়রিবা গ্যাস অসিবু গ্রীন হাউস গ্যাস হায়না খঙনৈ, মসি য়ামখৎলক্লগদি মালেমদা হেন্না শাগৎলকপগী মচাক অমা ওইরি। হায়রিবা গ্রীন হাউস গ্যাস (কার্বোন-দাইওক্সাইদ, মীথেন, নাইত্রস ওক্সাইদ, ঈশিং মনীল, ক্লোরোফ্লুরোকার্বোন) অসি খুৎশেমগী ওইবসু য়াই নৎত্রগা শাগোন্নরকপসু য়াই। গ্রীন হাউস গ্যাসতা য়াওরিবা ঈশিংগী মনীলসি শাগোন্নরকপনিনা মালেমগী শাবগী চাংসি খরা মখৈদি শেন্নরগা থম্বা ঙম্মী। গ্রীন হাউস গ্যাস য়াওদ্রগদি শাবগী চাং অসুক্কী মতিক নেমখিদুনা মীওইবা অমদি জীব পানবা খুদিংমক হীংবা ঙমদে অদুগা করিগুম্বদা গ্রীন হাউস গ্যাসকী চাং ৱাংনা লৈখ্রগদি



শাবগী চাংসি অসুক্কী মতিক ৱাংখিদুনা থক-খা ওন্নবগুম অঈং-অশা, নোংজু-নুংশাগী চাং হোংলকপা কয়া মায়োক্লগদৌরি। অঈং-অশাগী খল কায়রকপনা ষনগী পোথোক চাথোক্তা মরী থোক্লা অকায়বা পীরি মখোয় অদুদি :

⇨ শা-ষনগী মচীঞ্জাক ফংনবা অমদি মমলদা অহোংবা লৈরকপা

⇨ শা-ষননা চান্নবা অফবা মখলগী শাজীক থারিবা অমদি লৌবুক লক্ষ্মাংদা হৌরিবা শজীক খুদিংমক্কী পোথোক অমদি শজীক্কী ক্বালিটি অমদি ক্বান্টিটিদা অহোংবা কয়া লৈরকপা

⇨ অঈং-অশাগী খল কায়রকপনা শা-ষনদা লায়না তীলনা শন্দোরকপদা অচৌবা মতেং পাংই

⇨ কা হেন্না অঈং-অশাগী খল কায়রকপদা শা-ষনশিংগী শারেপ ফান্নবা হোৎনবদা, চাগোকপদা অমদি হকচাং ফিভম ফগৎনবা হোৎনবদা অহোংবা কয়া লৈহল্লি।

**গ্রীন হাউস গ্যাকা শা-ষনগা লৈনরিবা মরী :-**

⇨ শা ষনদা পীজরিবা শজীকশিং থাবদা হার ময়াম অমা চঙই। হায়রিবা হারসি শেম্বদা ফোসিল ফীউৱেল কয়া অমসু চঙই। হায়বিরা ফোসিল ফিউৱেলসি শীজিন্নবা মতমদা কার্বোন দাইওক্সাইদকী চাং ৱাংনা পুথোরকই। অসুম্না চাংচত্তা চহী অমদা মিলিয়ন টোন ৪০গী কার্বোন দাইওক্সাইদ পুথোকই।

⇨ শা ষন্না চানবা শজীক থানবা অমদি মখোয়না লৈনবা উমং কোকথোকপা নৎত্রগা মৈ থাবা মতমদা কার্বোন দাইওক্সাইদকী চাং য়াম্না পুথোকই।

⇨ শা ষন্না চাশিল্লিবা মচীঞ্জাকশিংসি মথং-মনাও নাইনা তুম্নবা হোৎনবদা মাইক্রোবিএল ফর্মেনটেসন তৌদুনা মীথেন গ্যাস পুথোকই। হায়রিবা মীথেন গ্যাসসি শা-ষননা চারিবা মচীঞ্জাক অমদি মখোয়না তুম্নবা হোৎনরিবা প্রোসেস অদুগী মতুং ইল্লি। শা ষনদা চখাও মরি পানবা (ষন, ইরোই, হামেং, য়াও অসিনচিংবা)গা পান্দবগা মীথেন গ্যাস পুথোকপগী চাংদম্নবদা চখাও মরি পানবদনা হেল্লি। চখাও মরি পানবা শাশিংদি অয়াম্বনা শজীক্লা নম্না চাই। মফোনগী শরুকসু চাই অদুবু নোংমদা ষনবী অমনা য়ামদ্রবদা কে জি ৪০গী শজীক্তি চাবা ঙম্মী। মখোয়না চাশিনখ্রবা মতুংদা অমুক ঙাইহাক পোথারগা থক্লোমদা হাইদোরকপা মতমদসু মীথেন গ্যাস অসি পুথোরকই। শা-ষননা চারিবা মচীঞ্জাক্কী ক্বালিটি অমদি ক্বান্টিটিসু মীথেন গ্যাস পুথোকপকগী মখা পোল্লি। ক্বালিটি হন্থবা মচীঞ্জাক্তা মীথেন গ্যাস পুথোকপা হন্থহল্লি। অদুগা ক্বানটিটি য়াম্না মচীঞ্জাক পীজরগদি মীথেন গ্যাস পুথোকপগী চাং ৱাংই।

⇨ শা ষনশিংগী মথী ময়ুংশিংসি নুংশিৎ অমসুং ওক্সিজেন য়াওদনা পুমথহন্নবা হোৎনবদা মীথেন গ্যাস পুথোকই। মীথেন গ্যাস পুথোক্লবা হোৎনবদা চঙলিবা বেক্টরীয়াসি মথী ময়ুংশিংগী টেম্পরেচর অমদি মোইচরগী মখা পোল্লি মসিদসু নত্তনা শা-ষন্না চারিবা চীঞ্জাক অমদি মখোয়গী দাইজেষ্টিভ সিষ্টেমগী মখাসু য়াম্না পোল্লি।

⇨ শা ষনগী মচীঞ্জাক অমদি অতোপ্পদগী অকংবা কয়া লেমহৌবনা নাইট্রস ওক্সাইদগী চাং হেনগৎহল্লি অমদি মথী-ময়ুং নীংথিনা মেনেজ তৌদ্রগসু নাইত্রস ওক্সাইদকী চাং ফংহল্লি।

মালেম অপুম্বগী ওইনা কার্বোন দাইওক্সাইদ পুথোকপদা শা-ষননা চাদা ৯ পুথোকই। মীথেন গ্যাসনা চাদা ৩৫-৪০ পুথোকই অদুগা নাইট্রস ওক্সাইদনা চাদা ৩৬৫ গী চাংদা পুথোকই।

**গ্রীন হাউস গ্যাস পুথোকপগী চাং করম্না হন্থহনগনি ?**

⇨ শা ষননা চারিবা শজীক থাবা মতমদা শীজিন্নরিবা হারশিং য়ারিবমখৈ শীজিন্নদনবা হোৎনবা

⇨ য়ারিবমখৈ মফোনগী শরুক্লা নম্না পীজবগা লোয়ননা লোকেলদা ফংলিবা শজীক ময়াম অমা পীজনবা হোৎনবা

⇨ ফোসিল ফিউৱেল চাং হন্থবা শীজিন্নবা

⇨ শা ষনশিংগী ষনজাবুংদা থাদোক্তুনা শজীক চাহনবা

⇨ মথী ময়ুংশিং লমহাংদা চাইথোক্লবনিনা মীথেন গ্যাস পুথোকপগী চাং হন্থহল্লি।

⇨ করিগুম্বা মতমদসু লৈবাক্তগী দী-নাইত্রোফিকেসন তৌদুনা নাইত্রস ওক্সাইদ পুথোকই। শা-ষন্না ষনজাবুংদা শজীক চাবা মতমদা মথী-ময়ুংশিং ফাইদোক্লিবশিং অসি ঈশিংনা নীংথিনা চাইথোক্লগদি নাইট্রস ওক্সাইদকী চাং হন্থহল্লি।

ঐখোয়না গ্রীন হাউস গ্যাস চাং হন্থহনবা অমদি তুং কোয়না মতম শাংনা হীংনবা নীয়ম চুম্না শা-ষন লোইনবা হোৎনসি। ●

---

# অঙনবা লৌফমদা থেংনবা য়াবা খুদোংচাদবশিং

ডা. ৱাইখোম জিতেন

ফৌ থাবীবা মতমদা লৌকোন অদুগী মীয়াম্না থানরিবা মতমদগী য়াম্না ঙনখৎনা নৎত্রগা লৌকোন অদুদা থানরিবা ফৌশিংদগী মতম য়াম্না তেনবা ফৌ থাবীরবদি মীয়ামদগী ঙনখৎনা লোকপা য়াবগী ফিভম অমা লাক্তুনা খুদোংচাদবা ময়াম অমা মায়োক্লরকপা য়াই। য়াম্না ঙনখৎনা লোকপসিনা নোংগা মায়োক্লবগী খুদোংচাদবা, লৌফমদু য়ৌনা চংথোক-চংশিনগী তৌবদা থেংনবা খুদোংচাদবা, তীল কাঙ অমদি উচি, উচেকনচিংবনা থোকহনবা খুদোংচাদবশিং থেংনবিগনি।

**উচি:** উসি অসি চহী অমদা চাগোক মরিরক ফাওবা কোকপা ঙমই। মরম অসিনা উচি জুরা অমনা চহী অমদা মহাক্কী মচা মশু পুন্না ৫০০ গুম্বা পুথোকপা ঙমই। ফৌ থাবা লৌফমদা অকোইবগী লৌফমদগী ঙনখৎনা হৌবা নৎত্রগা ঈশিং য়াম্না কংনা লৈরবদি উচিনা তোয়না লান্দাগল্লি। উচিদগী ঐখোয়না ঙাকথোক্লবগীদমক লৌফমগী অকোইবশিং তরু-তানান্না থমগদবনি। উচিনা লোৎপা য়াবা মচি মরুম থম্বীরোইদবনি। করিগুম্বা উচি মখুলশিং লৈরবদি উচি লৈরি নৎত্রগা লৈত্রে খংদোক্লবা হুই শীজিন্নবীবা য়াই নৎত্রগা উচি মখুলশিং অদু লৈখোম্না মেনশিনবীরবা মতুংদা নোংমা কোনবদা য়েংবিগদবনি।

অসুম্না য়েংবিবা মতমদা মেনশিল্লম্বা মখুলশিং অদু অমুক হুৎতোক্লম্লবদি মখুল অদু উচি লৈরি হায়ব খংবীগদবনি। উচিনা ফৌদা শোকহনবদগী ঙাকথোক্লবা পায়খৎপা য়াবা থৌরাংশিংদি

(ক) লৌরি অমদি অকোইবগী অশোংবা মফমশিং শেংদোকপিবা

(খ) য়ারবদি লৌফম অদু ঈশিং থাজিনবীদুনা উচিনা লৈবা হৈনদনবা হোৎনবিবা

(গ) উচিনা লাক্কদবা লম্বী অমদি উচি মখুলশিংগী অকোইবদা ব্রোমাদিয়লোন (Bromadiolone) ০.০০৫% য়াওবা রোবেন/রাতোল(Ratol) কেক কুম্বা মকক মকক ককপিরগা চে মচেৎ মচেত্তা য়োম্বীগনি অমদি ৱাগী উতোং মকক মককশিংগী মনুংদা চেজেৎনা য়োম্লবা উচি হীদাকশিং অদু হাপ্পীদুনা উচিনা চানবা থাবীগদবনি।

**উশিংশা নম্বী তীল (গুনধি বগ):** তীল মখল অসিগী মরুমদগী ওনবা কুইদ্রিবা মচা অমদি মপী অনীমক্লা ফৌখক নত্তনা চুজাক, চুনচিংবা পাম্বীশিংগী মনা অমদি মহৈদগী





মহী চুপথোক্তুনা পাম্বীশিংবু মাঙ-তাকহল্লি। তীল মখল অসিনা তাবা লৌফমদা নমথিবা মনম অমা নমই। মরম অসিনা মসিবু উশিংশা নম্বী তীল কৌরিবনি। তীল মখল অসিগী মপী অমদি মচা অনীমক্লা ফৌনা মখোম হল্লকপা মতমদা ফৌ মরুশিংগী মনুংদা য়াওরিবা মহীশিং চুপথোক্তনা ফৌ মরূ চংবা ৱাৎহল্লি নৎত্রগা ফৌ অদু মপুং ফানা ফৌহাম ওইহল্লি।

তীল অসিনা চুপথোকখ্রবা ফৌ মরূশিং অদুদা অমুবা মচুনা ফীরল ওইবা অপিকপা মখুল লৈবা থেংনবিগনি। তীল মখল অসিগীদমক দিক্লোরোভোস ৭৬% হায়রিবা হীদাক অসি মিলিলিটর ১৫ ঈশিং লিটর ১৫দা য়ানবিরগা লৌ শঙম অমা পাক-চাউবা লৌফমদা হীদাক অসি মিলি লিটর ১০০ না কাপথোকপীদুনা ইরায় লায়না ঙাকথোকপা ঙমই।

**কৌজেং (গ্রাস হোপ্পর) :** তীল মখল অসি পাম্বীগী মনা অমদি চরোং চীকথৎপা মখলগী তীলনি। লৌ উনরিবা লৌফমগী অহাঙবা মফমশিং/লৌরিগুম্বদা কৌজেং মৰূম কোকই। কুমগী অহানবা নোংজু মতুং হপ্তা অমুক ফারকপদা কৌজেং মৰূমদগী মচা ওল্লকই। কৌজেং মৰূমদগী মচা ওল্লবা মতুং হপ্তা অনীমুক্তি কৌজেং মচাশিং অদু কা হেন্না লেংগন্দে। অসিগুম্বা মতমদা লৌরি অমদি ঈশিং খোংলমশিংগী অকোয়বদা ক্লোর্পেরিফোস (Chlorpyriphos) ২০% ঈ সী হায়রিবা হীদাক অসি মিলি লিটর ২৫ ঈশিং লিটর ১৫ দা য়াল্লগা কাপ্পীরবদি তীল মখল অসিগী মশিং হন্থহনবদা অচৌবা মতেং পাংই।

অমরোমদা, অমুক কালেন য়ৌদ্রিঙৈগী মমাংদা লৌরি অমদি লৌফমগী অকোয়বদা লৈবা লমলেমশিং লৈবাক মথক মখা ওন্দুনা তীল মৰূমশিং মাঙ তাকহনবা য়াই। ফৌনা হৌখ্রবা মতুং অমদি ফৌনা মখোম হল্লক্লবা মতমদা ওইরবদি মালাথিওন (Malathion) ৫% দষ্ট হায়রিবা হীদাক অসি লৌ পরি অমগী লৌফমদা কে জি ১৫ শীজিন্নবা য়াই। অসুম্না মতম চানা লোকপা লৌফমশিংদি কা হেন্না চেকশিন্না য়েংশিনবীবা তঙাইফদে। ●